**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হ্যুমেন-রোবোট কোলাবোরেসনগী ইনোভেসনদা মণিপুর মচানা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং য়ারকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- টেকোলোজিগী লমদা শক্তি লৈরবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক এ.আই, সাইবর সেক্যুরিতি অমসুং সষ্টেনেবল দিজিতেল এচিভমেন্টকী লমদা হেন্না পুকিং চংলশি।

৩) লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং শান্তি ওইনা খুন্দা লৈতাহন্নবা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা সভাপতি ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফমনা খন্নখ্রে।

৪) হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মা অনিরকসুবা টার্মগী ওইনা হয়েং অসামগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

অমসুং

৫) আমেরিকা অমসুং ইরানগী মরক্তা লৈরিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা মতিক চাবা থবকশিং পায়খৎপগী মমি উৎদ্রি।

------

ভল্লা (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- লৈবাক অসিগী বৈগ্যানিকশিং অমসুং টেকোলোজিগী লমদা থৌদাংশিং য়ারিবা নহারোলশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

জাতিগী টেকোলোজি নুমিৎকা মরী লৈননা ফোংদোকপা ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়- টেকোলোজিনা ভারতপু হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমদি চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগনি। নহা ওইরিবা ইনোভেতর কয়ানা প্থোকপা অনৌবা টেকোলোজিশিং অসি থোইদোকা পুকিং থৌগৎনিঙাইনি। মণিপুরদগী অলবার্ট রাজকুমারগুম্বা লুনর ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদা হ্যুমেন-রোবোট কোলাবোরেসনগী ইনোভেসনদা মাংজিল থানা চংশিল্লি অমদি মসিনা লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈথোই শিংথোইবা কয়া উৎলি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- টেকোলোজিগী লমদা শক্তি লৈরবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক এ.আই, সাইবর সেক্যুরিতি অমসুং সষ্টেনেবল দিজিতেল এচিভমেন্টকী লমদা হেন্না পুকিং চংলশি।

নেসনেল টেকোলোজি ডেগা মরী লৈননা ফোংদোকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রেস্পোন্সিবল ইনোভেসন ফোর ইনক্লুসিভ গ্রোথ হায়বা হিরমদা পাঙথোক্লিবা কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিনা লাকপদা বিগ্যানগী লমদা লৈবাক অসিনা পাঙথোকখিবা শিংথানিঙাই ওইরবা তাঙ্কক কয়া নিংশিংহল্লি। কুমজা ১৯৯৮ দা পোখ্রানদা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট তৌখিবা অমসুং হন্সা থ্রি এয়ারক্রাফট শাখিবা য়াওনা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা বিগ্যানগী মায় পাকপা কয়ানা লৈবাক অসিবু ইনোভেসন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী মাইকৈদা চংশিল্লক্লি। হনোভেসন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা মখা তানা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা হেন্না চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহল্লশি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

গোবিনদাস (এল)ঃ লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং শান্তি ওইনা মশা মশাগী লৈফমদা হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমনা য়েংশিনখ্রে।

গৃহ মন্ত্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- বিষ্ণুপুরগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি এম.এল.এশিং- টি.ঐচ. বসন্তকুমার, ইরেংবম নলিনি, তোংব্রম রোবিন্দ্রো, শন্নশম প্রেমচন্দ্র, এ.দি.জি.পি- এল. কাইলুন অমসুং বিষ্ণুপুর অমদি চুরাচান্দপুর জিলাশিংগী দি.সি অমদি এস.পিশিং য়াওনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংবু খুন্দা লৈতাহন্নবা, ঙাক শেন্নবা অমসুং মখোয়গী য়াইফ থৌরাং কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। লমদম অসিদা শান্তি, তংদু লৈতাবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবগী অচেৎপা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

দিপক (এল)ঃ ভারতকী ওপরেসন শিন্দুরদা শরুক য়াখিবা লৈখিদ্রবা বি.এস.এফকী পার্সোনেল দিপক চিংঙাখমগী মফমদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

শ্রী গোবিনদাসনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- মহাকা লৈবাক অসিগীদমক থৌনা ফনা লান্থেংনদুনা থৱায় ফাওবা থাদোকখিবা অদুগীদমক ঐখোয়না চাউথোকচবা পোক্লি। মহাকা কৎথোকখিবা ৱাংলবা ফিদম অদু ভারত মচা পুমমক্কী মফমদা লৈহৌবা ওইরসনু। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাক্কী ইমুং মনুংগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা দিপক চিংঙাখমগী মফমদা থম্মোয় শেংনা ইকায় খুমবা উৎলি হায়নসু গৃহ মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

ট্রেনিং (এল)ঃ ইম্ফালদা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি ৱান ষ্টোপ সেন্তর ষ্টাফশিংগী নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী লমজিং মখাদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা ট্রেনিং অদুদা ৱান ষ্টোপ সেন্তরশিংদা নুপীগা মরী লৈনবা থবকশিং কমদৌনা পাঙথোক্কনি অমসুং মখোয়দা আইনগী ওইবা মতেং ফংহনবচিংবগী মতাংদা অখণ্ড অহে কয়ানা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোন্সাংনা হায়- ৱান ষ্টোপ

সেন্তরশিংদা চাং নাইনা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমসুং ত্রেনিং কয়া লেপ্তুনা পীরি। মসি ষ্টাফশিংনা নুপীশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা থবক তৌবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবনি।

রিকোগনাইজ (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্তিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছার্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল অৱাং থিয়াম লৈকাইদা লৈবা গিন ফাউন্দেসনবু সাইন্তিফিক ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছার্স ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা শকখঙলে হায়রি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা লমদম অসিগী নহাশিংদা সাইন্স অমসুং টেকে ালোজিগী মতাংদা খঙহন্দুনা খুঙ্গংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা অমসুং চাওখৎপা পুরকবগী মতাংদা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাকি।

বোদি (এল)ঃ হৌখিবা অহিংগী নোংয়াই মতুং মিনিত ২৫ চৎপা মতমদা নেসনেল হাইৱে-টুগী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা ওফিস মমাংদা মরুতি অলতো কার অমনা থোল্লন্বা মীওই অমা রিমস হোস্পিতালদা পুখৎলবা মতুংদা লৈখিদ্রে।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মীওই অদু ফুট ৫ রোম ৱাংই, মশা পায়, চহি ৫০ রোমগী লেঙ্গা ওইগনি। থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা ইমুং মনুংনা মশক তাক্লদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রগনি হায়রি।

কম্মিসন (এল)ঃ কম্মিসন ওফ ইনক্কারি (মণিপুর ভাওইলেন্স) ২০২৩ গী কম্মিসনগী হেদক্বাটরস ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মণিপুর সিভিল সেক্রেতরিয়েটকী নোর্থ ব্লোক্কী সেকেন্দ ফ্লোরদা লৈবা রুম নম্বর-১৩৫ ওইরগনি হায়রি। ৱাফম অসি রাজ্যগী হোমগী জোইন্ট সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লকপনি।

ককচিং (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা জেদ.ই.ও ককচিংনা শিন্দুনা ময়াই কাবা নিশা ড্রগকী মতাংদা মহৈরোইশিংদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পদ্মা রতা ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রাফিক (এল)ঃ  ইম্ফালগী খোঙনাং অনি কারক্তগী খোয়াথোং ফাওবগী থাংমৈবন্দ পরেংগী লম্বী শেম্বগী থবক চথরিবা মরমনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা চেরোল অমনা থোকখ্রে।

নোনে (এল)ঃ  নোনে দিষ্ট্রিক্ট ইম্মরজেন্সি রেস্পোন্স এপ্লিকেসন কৌবা মোবাইল এপপ অমা ঙসি নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিসনার বিদ্যামারি শ্রীধারনা হৌদোকখ্রে।

ময়োল (এল)ঃ  মণিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল)না লাক্কদৌরিবা ১৩ শুবা মণিপুর বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা হৌদোকখিবা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবা খোঙজং-পোলিটিক্স-অনৌবা লাংওনগী ভোৎ হায়বসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাং মীয়ামগী মীফম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশামথোং হোদাম লৈরক কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শকাইরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না মণিপুরগী হোমগার্দকী লৈফম থোকপা মশিং লৈহনবীনবগী মতাংদা ৱাকৎ চেরোল অমা সরকারদা পীশিনখ্রে। ৱাকৎ চেরোল অদু মণিপুর হোমগার্দ এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী পীশিনখিবনি।

অসামঃ  হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মা হয়েং অসামগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি। মসিনা অসামদা থংনা থংননা অহুম্লক শুবা ওইনা এন.দি.এ সরকার শেমবগী লম্বী য়াৎলে। মোৎ অমত্তা ওইনা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ লেজিসলেচর

পার্তিগী লুচিংবা খল্লবা তুংদা শ্রী শর্মনা মীচং চুংশিন্নরিবা দলশিংগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা লোক ভবনদা রাজ্যপালগা উনদুনা সরকার শেমবা দাবী তৌখি।

রাজ্যপাল শ্রী অচার্যনা শ্রী শর্ম্ম অমসুং মহাক্কী অনৌবা মন্ত্রি মন্দলগী মীওইশিংবু হয়েং থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম খানাপরাদা লৈবা ভেতরিনরি কোলেজ প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং বি.জে.পি প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন য়াওরবা য়াই।

হন্দক্কী অসিনা শ্রী হিমন্ত বিস্বা শর্মনা থংনা থংননা মুখ্য মন্ত্রি ওইবা অনিরক শুবনি অদুগা, এন.দি.এনা অসামদা থংনা থংননা সরকার পায়রকপনা অহুম্লক শুবনি।

মোদি ঃ সোমনাথ অমৃট পর্বাগী থৌরমদা অহানবা জোতিরলিঙ্গ ওইরিবা সোমনাথ মহাদেব মন্দিরদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অখন্নবা মহা পুজা পাঙথোকখ্রে। সোমনাথ মন্দিরদা মহাকা কুম্ভ ভিশেক্কী থৌরমসু পাঙথোকখি অমসুং ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সোমনাথ মন্দির অসি নিংহন্নবা লৈত্রবা থাজবগী মঙালনি অমসুং লৈবাক অসিগী মুৎপা নাইদ্রবা থৱায়গী শেংলবা খুদম অমনি। মহাকা হায়- সোমনাথ অমৃট পর্বা অসি হৌখিবা মতমবু নিংশিংদুনা পাঙথোকপা কুম্মৈ অমখক নত্তে, মসিনা লাক্কদৌরিবা চহি লিশিং ১ দসু লৈবাক অসিগী পুকিং ঈথিল ওইনা লৈহৌরগনি।

এক্ট ঃ ভিক্সিত ভারত গেরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ অজিবিকা মিসন (গ্রামিন) এক্ট ২০২৫ (ভি.বি-জি রাম জি) চৎনহন্নবা কেন্দ্রনা নোতিফাইদ তৌখ্রে। এক্ট অসি চহি অসিগী জ্লাই ১ দগী লৈবাক শিন থুংবদা চৎনবা হৌরগনি।

তামিল নাদুঃ তামিলনাদু বিধান সভা মীখলদা ঙসি নৌনা কারকপা এম.এল.এ ১০০ হেন্না প্রোটেম স্পিকর করুপয়ানা ৱাশক লৌখ্রে। ঙসি ৱাশক লৌখিবশিংগী মনুংদা মুখ্য মন্ত্রি জোসেফ বিজয়, মহাক্কী কেবিনেট মন্ত্রিশিং, বিরোধি লুচিংবা উদয়ানিধি ষ্টালিন অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রিশিং ই.কে. পালানিস্বামি অমসুং ও. পানির সিলভম য়াওখি।

লান ঃ আমেরিকা অমসুং ইরানগী মরক্তা লৈরিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা মতিক চাবা থবকশিং পায়খৎপগী মমি উৎদ্রি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নোংমৈ কাপবা, জহাজশিংদা এটেক চথুবা, গল্ফ লৈবাকশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা, ইজরেল অমসুং লেবাননগী মিলিটেন্ট হেজবুল্লাগী মরক্তা নৌনা ইরাং থোরকপা কয়া উরি। চয়োল অসিগী মনুংদা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনাদা চৎকদৌরিবা অসিদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা খন্নরবা য়াহ্ হায়না পানরি। চাইনা অসি ইরানদগী শুংদোক্ত্রিবা থাউ খ্বাইদগী য়ামা লৈবা লৈবাক ওইবতা নত্তনা ৱাথোক অসি লোইশিনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা লৈবাকনি হায়না পানরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরগী পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা অক্সদো খাঙবোকনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন ২১৬ তা থোইখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আর.সি.এ লিলোংনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ১০৬ তা থোইখি।

তাউথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা- এ.এম.সি.এ থৌবালনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলপু রন ২১ থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফিফতিন গালর্স ৱান দে ত্রোফি-২০২৫-২৬ কী থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুংনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৫১ দা থোইখ্রে।

লিগ অসিগী কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লৈবা সেদোক গাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা এম.পি.এ থৌনাউজমনা এস.য়ু শগোলবন্দবু রন ৩০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ নোংচুপ কামেং য়ং জেনেরেসন ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা সম্মর স্পোর্টস মিট ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস.দি.ৱাই.সি খোংহামপাৎ খুনৌনা গ্রিনলেন্দ পোৎশংবমবু পাঞ্জল ২-১ দা, এম.ৱাই.সি মহারাবীনা চকপা ফয়েংবু পাঞ্জল ২-১ দা, এস.কে.দি.সি কংলাতোংবীনা লম্বাল এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ২ শুবা মাইজো শামুরৌ চিগোং ত্রোফি ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা খুমন এফ.সিনা অপুনবা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা অমসুং শামুরৌ য়ুনাইতেদনা পপজি য়ুনাইতেদপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা হৌজিক দিল্লি কেপিতেলসকা কিংস এলেভেন পঞ্জাবকা ধর্ম্মসালাগী হিমাচল প্রদেশ ক্রিকেট এসোসিয়েসন ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। দিল্লি কেপিতেলসনা টোস ঙমদুনা কিংস এলেভেন পঞ্জাবপু হান্না বেত্তিং তৌহনবদা--

------